# ‘তাম্না রেদিও’না খুঙ্গংগী মীয়াম্বু মীকপ থোকহনবা পান্নিবা উচিৰাগী সুরঞ্জয়

খুঙ্গংগী খোল্লাউ ঃ ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম


শগোলশেম সুরঞ্জয়

**মতম** মতমগী থোকপা ঈ পাউশিং মীয়ামদা ফংহনবা হায়বসি সাইন্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী খুমাং চাউশিনবগী খুদমনি। লাইরিক লাইশু হৈরবশিংতনা ঈ পাউ খঙগদবনি। খুঙ্গংদা হিংলিবা লৌমী শিন্মীশিংদি হিংনবগীদমক নুংতিগী থবক শুগদবনি ঈ-পাউ তাদ্রবসু য়াই হায়বা অরিবা ৰাখল্লোনবু হোংদোকহনবা পান্নিবা উচিৰাগী সুরঞ্জয়নি।

ৰাখল্লোন অসিমক্নুনি ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী মনুং চনবা উচিৰা লৈরক অচৌবদা কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেশন অমা লিংখৎতুনা মীয়ামদা খুঙ্গংগী মপাউ তাবগী হৈনবী শাগৎখিবা ‘তাম্না রেদিও, উচিৰা’ না ঈ পাউগী লমদা অনৌবা মহাউ পীনবা হোৎনখিবদা শগোলশেম সুরঞ্জয়গী হোৎনজমল ঙসিদি মীয়াম্না খঙবা হৌরক্লে।

খুন্নাই অমা চাউখৎপদা, খুন্নাইদুদা হিংমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক মান্নবা চাকথুং, মান্নবা ৰাখল অমদি মান্নবা পুন্সি মহিং অমদা হিংমিন্নবা তঙাইফদে হায়বসিদা ত্রাইয়েল ওইনা তাম্না রেদিও, উচিৰানা মতম খরা মীয়ামদা এৱ্যারনেস পীবা, ঈ পাউ, ঈশৈ নোংমাই, রেদিও দ্রামা অমদি শক্লাইরবশিং হকথেংননা উনবগী প্রোগ্রামশিং শন্দোকপা হৌখি।

তাম্না রেদিও ঙসিদি উচিৰাখক্তগী ওইদ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গং মীয়ামগী ওইরে। মীয়ামগী দিমান্দদগী তাম্না রেদিও ঙসিদি রিগ্যুলর ওইনা শন্দোকপা কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেশন ওইরক্নবা থৌরাঙ লৈরে। থবক হৌরে। তাম্না রেদিও হৌখিবা কুমজা ২০১২ গী জুলাই থাদগী শগোলশেম সুরঞ্জয়না ফাউন্দর ওইবা অদুগা হৈক্রুজম সরোজকুমার, রিটায়ার্দ হেদ মাষ্টরনা চেয়রমেন ওইবা তাম্না রেদিও দেভ্লপমেন্ট কম্মিটি কৌবা মীওই ১০ না শাবা কম্মিটি অসিনা মতম মতমগী ঈ পাউ, ঈশৈ নোংমাই, মখল মথেলগী থৌরম কয়া শন্দোক্তুনা মীয়ামদা তাহনবা হৌখি। মীয়াম্না পান্নখি। মতম খরা এক্সপরিমেন্ট ওইনা থবক হৌরম্লবা রেদিও ষ্টেশন অসি ঙসিদি মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শক খঙলবা কম্যুনিটি রেদিও ওইনবা থবক তৌবা হৌরগনি।

চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১ দা ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী মীহুৎসু ওইরিবা ৱার্কস মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমারনা অনৌবা কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেশনগী ফাউন্দেশন ষ্টোন য়ুংখ্রে। মহাক্কী মাইকৈদগী পাঙবা য়াবশিং পাঙদুনা মায় পাকপা কম্যুনিটি রেদিও ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী থাজবা পীরম্লে।

করিগীদমক্তা কম্যুনিটি রেদিও অমগী মঙ মঙলুরিবনো হায়বগী মতাংদা ফাউন্দর ওইরিবা শগোলশেম সুরঞ্জয়না হায়, খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা মীওইশিং অসিদি লাইরবা লৌমী অমদি শিন্মী ঙাক্তনি। মখোয়দি লাইরিক লাইশু হৈতবনা অয়াম্বনি। হৈরবসু হিংনবগী লম্বীদা নোংমগী থবক শুদবা য়াদবা ঙাক্তনি। থবক শুনবা শিনফম ওইবা মীওইশিং অসিদি লৈবাক্কী ওইবা ঈ পাউ তাবগী চাং ৱাৎলি।

নোং ঙানবগা লৌবুক্তা, চেক্নোন্দা, ঙাগী ফার্মদা থবক শুবা চৎখিবনা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে পাবা নংদে, টেলিভিজনগী শন্দোক্লিবা থৌরমশিং য়েংবা ফংদে। মখোয়না থবক শুনা শুনা রেদিও তাবদি ঙম্মী। থৱায় য়াওনা রেদিও তাই। অদুনদি রেদিওগী মতেংদগী মখোয়দা মতম মতমগী ঈ পাউ ফংহন্নবা হোৎনগে হায়বসি মহাক্কী মঙলান ওইদুনা লাকখি।

সুরঞ্জয়না মখা তানা হায়, নুংতিগী ফোঙলিবা পাউচেশিং অমদি রেদিও, টি ভিদি লৈঙাক পায়রিবশিংগী থবক থৌরম অমদি সিটিগী ঈ পাউদা হেন্না ইম্ফেসিস পীবনা খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা পাউশিংদি কয়া থৌশাদে। য়াওরবসু মরাং কাইদে। খুঙ্গং খুঙ্গংগী থোক্লিবা ঈ পাউশিং মীয়ামদা তাহন্দুনা মীৎ নাকোং শিংহন্নবা হোৎনরবদি মীপুম খুদিংমক অফবা নাগরিক অমদি ওইবা ঙমগনি। অফবা নাগরিকশিংনা খুল্লিংবা খুন্নাই চাউখৎপা খুন্নাই ওইগনি হায়বা মঙলান্দা কম্যুনিটি রেদিওগী মঙলান লাকখিবনি। মখা তানসু মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না রেদিও ষ্টেশনসি থবক তৌনবা থৌরাং লৌখৎলে।

কুমজা ১৯৬৫ গী মার্চ ১দা শগোলশেম সুরঞ্জয় ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উচিৰা লৈরক অচৌবদা পোকখি। মচিন মনাও ৬ কী মনুংদা মহাক্না অহলনি। মহৈগী থাক বি এস সিনি। লৈকায়গী অমদি মীয়ামগী থবক তৌবা পামজবা সোসিএল ৱার্কর অমা ওইনা হৌরকখিবা সুরঞ্জয়, উচিৰা হায় স্কুল (গভর্ণমেন্ট এদেদ) তা গ্রেজুয়েট টিচর ওইরম্মী। ৱার্কস মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমারগী পার্মিনেন্ট এসিষ্টেন্ট (পি এ) ওইরকখি। উচিৰাদা লৈবা ক্লব ১১ গী এপেক্স বোদি ওইরিবা ওল উচিৰা দিভলপমেন্ট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ওইরি। মসিগী মথক্তা তাম্না রেদিওবু চলাইরিবা ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন (আই সি দি ও) গী ফাউন্দর কম একজেক্যুটিভ ওইনা থবক তৌরি।

সাইন্স এন্দ ইনফোর্মেশন টেক্নোলোজিগী লমদা খমথেংনা চাউখৎলবা মালেমগী অহোংবা মরক্তা মণিপুরসু অওনবসিদা য়াওনবা হোৎনরিবা সুরঞ্জয়নি। মীয়াম্না মহাক্কী মঙলানসিদা সপোর্ট মতিক চানা পীবা হেনগৎলকপা উবদা হরাওবগা লোয়ননা হীরমসিদা থাৎখ্রবা খোঙথাং মনিং হল্লোই হায়বগী থাজবা থল্লগা থবক হোৎনরি। মহাক্কী হোৎনজমনবু খঙলদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেশন ওইনা থবক হৌবা য়ারে হায়বগী অয়াবা লেট্টর ওফ ইনটেল (এল ও আই) কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বর ২ দা পীরকখ্রে। লোয়ননা উচিৰাদগী কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা ঈ পাউ লেপ্তুনা ফংহননবা থৌরাং তৌরি। হৌজিক মিনিষ্ট্রি অসিদগী ফ্রিক্বেন্সি ৱেভ অমদি দিসিজন টু গ্রান্ট লাইসেন্স (দি/এল) থারকপা ঙাইরি। মসিনবু থারক্লবদি স্প্রেক্টম ফী পীথোক্লগা রিগ্যুলর ত্রান্সমিশন হৌরগনি। লোকেল অমদি সিটিদা বেজ তৌবা পাউ চেশিংনা চিংথহৌবা খুঙ্গংগী পাউশিং মীয়ামদা শন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি। মসিগীদমক লৈপাক মীয়াম্না পাউতাক অমদি সজেশন পীবিরক্লবা মীয়ামদা আপিলসু তৌরক্লি।

চাউখৎলবা মতমসিদা লাইরিক লাইশু হৈরবা অমদি লাইরিক ময়েক চৎতবা কয়া খুঙ্গংদা লৈরি। চীংনুং মান্নুংদসু মীওই কয়ানা হিংননবগীদমক থবক শুরি। ইমুংগী লৈত-লাইরগী, মচা-মশুনা মহে মশিন তমহন্নবা হোৎনবদা মতম মতমগী ওইবা ঈ পাউ তাবা ফংদ্রি। নোং হেক ঙানবদগী লৌবুক্তা, চেকোন্দা, চীংদা নৎত্রগা অতৈ মফমশিংদা থবক শুবা চৎনরি। নুমিদাংগী মতমদা য়ূমদা হল্লক্লি। অৱাবা মরক্তা পাউচে পাবা, টি ভি য়েংবা নংদবা কয়ানি। অদুবু রেদিওদি কোইপু পুরি। চাক চাফমদসু, থবক শুফমদসু, পোথাফমদসু। ওল ইন্দিয়া রেদিওগী থৌরম কয়া পেন্না তারি। অদুবু খুঙ্গংগী মচলদি খরা লিক্লি। মসিদনি ‘কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেশন’গী তঙাইফদবা লাক্লিবা।

লৈবাকসিগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা কম্যুনিটি রেদিও (সি আর) গী ঈহৌ কুমজা ১৯৯০ গী ময়াই চনবা মতমদা লাকখি। কুমজা ২০০২ গী দিসেম্বর থাদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কম্যুনিটি রেদিও পোলিসি শেমদুনা এদ্যুকেশনেল ইন্সটিট্যুটশিংদা চৎনহনখি। নন প্রোফিটেবল ওর্গনাইজেশন, সিভিল সোসাইটি অমদি ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেশনশিংনা হিরমসিদা মায় ওনশিন্নরকখি। অৱাং নোংপোক ভারতকী ওইনদি কুমজা ২০০৯ অদুৱাইদখক মঙফাওনবা হৌরকখি। অদুসু ষ্টেট ৭ সিগী মনুংদা আসামনা অহানবনি।


ৱার্কস মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমারনা তাম্না রেদিও ষ্টেশনগী ফাউন্দেশন ষ্টোন য়ুংখিবা

কুমজা ২০০৯ গী জান্যুৱারী ২৮ দা আসাম এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্টাফ কোলেজ, গুৱাহাটিদা অহানবা ওইনা কম্যুনিটি রেদিও লিংখৎখিবনি। হৌজিকসু আসাম নত্তনা এন ঈ ষ্টেট অমত্তদা সি আরগী থবক মায় পাকপা ঙমদ্রি।

লৈবাকসিগী ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং (জি ও আই) গী মখাদা কম্যুনিটি রেদিও চলাইজগে হায়বা এপ্লিকান্ট ৭২৯ লাকপগী মনুংদা মিনিষ্ট্রিনা এপ্লিকান্ট ২৩৩ দা লেট্টর ওফ ইনটেল পীখ্রে, ১০২ দা গ্রান্দ ওফ পার্মিসন সাইন তৌনখ্রে অদুগা হৌজিক হৌজিক কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেশন ওইনা ফজনা ফঙ্কসন তৌরিবনা ষ্টেশন ৭১ খকনি।

মসিগী মনুংদা এপ্লিকান্ট ১০৫ রিজেক্ট তৌখ্রে অদুগা ৩৮৯ না অন্দর প্রোসেসতা লৈরি। সি আর এস ৭১ গী মনুংদা ৫২ না এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুশননি, ১৫ না নন গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেশননি, ৩ না কৃষ্ণ বিজ্ঞান কেন্দ্রনি অদুগা অমনা ষ্টেট লেভেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটিনি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাকসিগী ওইনা টামিল নাদুদা সি আর এস ১৩ লৈদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি। উত্তর প্রদেশতা ৯, মহারাষ্ট্রদা ৭, কর্ণাটাকাদা ৬, দেল্লিদা ৫ নি অদুগা ১৬ না লেমহৌরিবা অতৈ ষ্টেটশিংদা অমমমনি। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা আসাম নৎতনা অতৈ ষ্টেটশিংদা সি আর এস অমতা মায় পাকত্রি। লেট্টর ওফ ইনটেল ফংলবশিংদি - অরুনাচল প্রদেশ ১, আসাম ১৬, মণিপুর ৪, ত্রিপুরাদা ২ নি। মণিপুরগী এল ও আই ফংলবশিংগী মনুংদা আই সি দি ওগী তাম্না রেদিওনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ত্রাইয়েলদা মায় পাকপা ষ্টেশন ওইরে। পূন্নমকসিগী ক্রেদিটতি শগোলশেম সুরঞ্জয়দা পীফম থোকই হায়বসিনি। মণিপুরদা কম্যুনিটি রেদিওগী ঈহৌদা মহাক্কী হুমাংমল য়াওরি হায়বসি খঙমিন্নবগা লোয়ননা মহাক্কুম্বা মীওই কয়া থোরকপা ওইরদনু।।

## ওজা অমা ওইবগী চপ চাবা মগুণ চেল্লবা ঐচ. প্রিয়োব্রত



**খুন্নাই** অমা শেন্দ্রদা ওজানা খ্বাইদগী চাউরবা থৌদাং লৌদুনা ঙসিগী অঙাংশিংবু তুংগী য়ুম্বী ওইনবা শেম্লিরি। অসিগুম্বা মতিক লৈবা, মথোদা পূক্নিং চঙবা, মহৈরোয়শিংগীমক্তা কথোকপী ঙম্বা ওজা কয়া লমদম অসিদা লৈরি। অসিগুম্বা ওজাশিংগী মরক্তা থোইদোক্লা তোমথিন ঙান্না লৈরিবা ওজাশিংগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক্ক া হৈবোংপোকপী হায়স্কুলদা এসিষ্টেন্ট টিচর ওইনা পুরিবা ওজা হুয়াম প্রিয়োব্রত সিংহসু অমনি।

ওজা অসি কুমজা ১৯৮৬ কী জান্যুৱারীগী তাং ১৫ দগী প্রাইমারি ওজা ওইনা সেঞ্জম খুনৌ গার্লস এল পি স্কুলদা পুন্সিগী অহানবা ওইনা ওজাগী শিনফমদা খোঙদারকখি। কুমজা ১৯৯৪ গী ওক্টোবর ২৮ দা স্কুল অসিমক্কী হেদ মাষ্টর ওইনা মতম শাংনা কুমজা ২০১৩ গী দিসেম্বর ফাওবা চাউরাক্না চহী ২০ লোম লেনখি। কুমজা ২০০৯ দগী স্কুল অসি প্রাইমারি থাক্তা ওনখৎতুনা স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ওইনা হীরম কয়াগী চাউখৎ থৌরাঙদা মায় ওনশিল্লকখি। লাইবক থীবদি ওজা প্রিয়োব্রত নত্তনা অতৈ ওজা স্কুল অসিদা লৈতবদগী লৈঙাক্তা অৱাৎপা ওজা থাবিরক্লবা কয়ারক হন্না খঙহল্লবা ফাওবদা ওজা থাবিরক্তবদগী ওজা অসিনা মশানা ফংজরিবা তোলোবতগী কুমজা ১৯৯৯ দগী কুমজা ২০০৫ ফাওবা ওজা অনী থাদা লুপা ১০০০ দগীনা ১৫০০ ফাওবা পীদুনা মহৈরোয়শিংবু ওজাগী অৱাৎপা লৈহন্দনা তাকপী তম্বীখিবা অসিমক্তি ওজাসিগী কথোকপা ঙম্বা থম্মোয় অদুনি হৌজিক হৌরক্লিবা ওজাশিংনা তমগদবা।

লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা মহৈরোয় হায়বমক্তবু লৈত-লাইরবা মমা মপা ঙাক্তনি হায়বসি ওজা প্রিয়োব্রতগী থম্মোয়দা মমি তাই। মসিমক্তনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা শাংলবা চহী ৩০ রোম অসি লেম্না অঙাংশিংদা ইন্নবা বোই-কলম, পেন্সিল পীদুনা লাক্লি। লৈঙাক্না স্কুলগী এদমিসন ফি লৌদ্রিঙৈ লেম্না য়ুনিফোর্ম পীদ্রিঙৈ কুমজা ২০০৫ দগী ২০০৭ ফাওবা স্কুল অদুদা তম্বা মহৈরোয় খুদিংমক্কী এদমিসনগী পৈশা পুথোকপদা নত্তনা শেৎনবা স্কুলগী য়ুনিফোর্ম ফাওবা লেম্না পীখিবা অসিনি।

থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনখিবা অদুগী হোৎনজমন মহয় ওইনা শুপ্নতগী মহৈরোয় ৭০ ফারমদবদগী কুমজা ২০১৩ দদি মহৈরোয় ১৫০ গী মথক্তা স্কুলগী এদমিসন রেজিষ্টারদা লৈরম্বা থেংনখিবা অসিনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী জেদ ঈ ও জোন ৱানগী মখাদা লৈবা শুপ্নতগী কিলোমিটর ১৮ লোমতা ইম্ফাল সহরদগী লাপ্না লৈবা সেঞ্জম চিরাং হায়বা খুঙ্গং অদুদা ঙসিসু লৈহৌরি ইংন চিক্না হেক য়েংবদা তরু তনানবগী শকফম ওইরিবা সেঞ্জম খুনৌ প্রাইমারি স্কুল।

লৈঙাক্কী স্কুল অদু শাবদা ওজা প্রিয়োব্রতনা চাউরবা শেনফম লাক্ষ ১.৩ দান তৌখি। ৱাফম অসিমক্তি লৈঙাক্না মতিক চানা মতম চানা স্কুল শাবিদবদগী তঙাইফদনা ওজা প্রিয়োব্রতনা থা থাগী শেন্থং হুন্দুনা য়াওজবা লোটরি মরুপ ফাওবদগী স্কুল শাবদা শীজিন্নবা ওইরমখি।

মতমগী মতুং ইন্না ওজা প্রিয়োব্রত আর্টস গ্রেজুয়েট ওজা ওইনা প্রমোসন ফংদুনা মশানা চহী কয়া চঙনা শেমগৎচরম্বা স্কুল অদু থাদোক্তুনা হায়স্কুলদা চৎখি। পেন্দ্রবা লমদম অদুগী প্রজাশিংনা থম্মোয় শোক্না হায়নখি “লৈহৌরিবা স্কুল অসিগী মরাইবক করি ওইগদগে?”

লু-তোংদা পকখ্রবা ওজা অসিগী থম্মোয়না মহৈরোয়শিংবু চপ মান্ননা নুংশিবা থমদুনা তাকপী তম্বীবা হৌরকখি। কুমজা ২০১৪ গী জান্যুৱারী ৪ দা এসিষ্টেন্ট টিচর ওইনা লৈরে-নজাও হায়স্কুল, হৈঙাংদা জোইন তৌখি। মখা তানা অমুক উখ্রুলগী সিরারাখোঙ হায়স্কুলদা ত্রান্সফর তৌরকখি। ইকুই কুইদনা চহী অদুমক্কী ওক্টোবর ৭ তা ত্রান্সফর ওর্দর অমুক থোক্তুনা লমশাং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা হৈবোঙপোকপী হায়স্কুলদা জোইন তৌখি। অচম্বা অফবা ওজাগী মফমদা থোইদোক্লা ঐগী মীগী নাইদে হায়নবগুম মহৈরোয় খুদিংমক ঐগী ইচা ঙাক্তনি খন্দুনা অহেনবা ক্লাস স্কুল হৌদ্রিঙৈ মতমদা ক্লাস টেনগী মহৈরোয়শিংবু কোচিং পীবা হৌরকখি। চহী পরিক্ষা লোইবা মতুংদসু লৈঙাক্কী স্কুলগী শোত্থরবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা ওজা প্রিয়োব্রতনা অতোপ্পা ওজা নেক্তুনা মশামক য়াওনা ফ্রি কোচিং হাংদোক্তুনা হৌজিক হৌজিকমক হৈবোঙপোকপী হায়স্কুলদা মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্বীদুনা লৈরম্বা থেংনরকখি। মতম চানা স্কুল কাবা, স্কুল লেপকন্দবা ওজা প্রিয়োব্রতগী হৈনবীনি, মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরকপনা অঙাংশিংবু শান্ন-খোৎনবগী লমদা পুশিন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

পূন্নমক অসিগী মথক্তা ওজা প্রিয়োব্রতদি মমা মপা লৈজদ্রবা মহৈরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মখোয়দা পীবা শেনফম খরগীসু অখন্নবা দোনর অমা ওইনা ররেল য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গেনাইজেশন (আর য়ু সি ও), সেকমাই লমশাংগী দোনর মেম্বর অমসু ওইরি।

ওজা অসিগী হোৎনজমনবু মশক খঙবিবা ওইনা সেঞ্জম চিরাং য়ুঠ ক্লবনা জুলাইগী ২৮ কুমজা ২০১৩ দা লেটর ওফ এপ্রিসিএশন পীদুনা ইকায় খুম্নবিখি। চহী অসিমক্তদা ফুমলৌ জি পিগী প্রধানসু ৱেষ্ট টিচরগী এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপীখি। কুমজা ২০১৩ দা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেশননা ওজাবু ইকায় খুম্নবা উৎখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সি, দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেশন (এস) অমদি জেদ ঈ ও জোন ৱাননা পূন্না সহি তৌদুনা অখন্নবা ওজাশিংদা পীবা সার্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিএশনগী এৱার্দসু কুমজা ২০১৫ দা ফংখি ॥

—এল কে লাইশ্রম

## ষণবীবু চারোন নাওরোনহনবদা ষণবুগী থৌদাং

ডা. সরাংথেম জেম্মারানি



**চাংচত্তা** মপুং ফারবা ষণবী অমনা চহী অমদা মচা অমুরক পোকই হায়না পাবা য়াই। হায়রিবা মতমসিদগী হেন্না চোন্থখ্রবদি ষণবুদা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইরি। শঙ্গোম থোকপী ষণনবীদা হেন্না চাগোক লৈনবা মতম চানা হীট লাকপদা য়েংশিনবীবা, অফবা মখলগী ধারা মতম চানা লৌবিবা, হাতমশিংবু নীংথিনা য়োকপীবা, চহী লিরবা ষণবীশিং হাতম্না মহুৎ শীন্দোকপিবা, গর্ভ পুরিঙৈ মতম অমদি চাগোক মতমদা অশোইবা য়াওদনবা নীংথিনা শেন্নবীবা, ঙন্না গর্ভ পুবগী মতম খঙদোকপা অমদি গর্ভ পুবগা মরী লৈনবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অসিনচিংবা কয়াসি ষণবুনা তৌবীগনি।

**হীট লাকপগী মতম খঙদেকপা ঃ**

মশা-মঊ ফবী ষণবীদি মতম চানা হীট লাকই। হীট লকপা খঙদোক্লবা মখাগী কাঙলোনশিং অসি খঙমীন্নবা চঙই-

১) হীট লাকপগী মওং-মতৌ উৎলকপা

২) চবোকথোঙদগী তারকপা মচুমদু মাইক্রোস্কোপ্তা য়েংবদা ফর্ন প্যাটন(চোংখ্রং পাম্বী)গী মওং মানবা

৩) ষণবীনা পুথোক্লিবা শঙ্গোমদুসু প্রোজেসটিরোনগী চাং য়েংবা

৪) মশা শেমদোক্লবা ষণ লাবা পুশিন্দুনা য়েংবা

৫) ষণবীগী ফিজিকেল এক্টিভিটি হেনগৎপা

ষণজাবুংদা থাদোকপা ষণ ওইরবদি নোংমদা অনীরক হায়বদি অঙনবা অয়ূক্তা অদুগা ষণ কারক্লবা মতুং নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা অমুক্কা য়েংবীগনি। করিগুম্বা ষণগোন্দা থম্বা ষণ ওইরগদি পীজ-পীথক তৌবা মতমদা, শঙ্গোম শুম্বা মতমদা য়াম্না নকশিন্না হীট লাকপগী লইওংশিং য়েংশিনবীগনি। ষণ অমোমগী চাদা ৭০ দি নুমিদাং পুং ৬তগী অয়ূক পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা হীট লাকই।

**হীট লাকপগী লাইওং ঃ**

১) অহানবা হীট লাকপা হৌরকপা মতম (পুং ৬-১০): মনাক নকপা ষণদা চোংখৎনবা হোৎনবা, চবোক থোঙগী শরুক্তা ঙাংশিল্লকপা, শাগৎলকপা, খরা পোমতক তৌবা অমদি চোৎলি চোৎলি লাউবা অমদি অতোপ্পা মনাক নকপা ষণদা মনম নম্বা থেঙনগনি।



২) ষ্টেন্দিং হীট (পুং ৯-২৪) : হায়রিবা মতমসিগী মথক্তা পীরিবা লাইওংসি ফজনবা উবা ফংবগা লোয়ননা হীট লাকপগী লাইওংসি অরেপ্পা অমা লৈ। মখোয় অদুদি- হীট লাক্লিবা ষণবীসি লেঙদনা লেপ্পগা লৈবা উগনি। লৈতাফম খঙদবা অমদি পাখৎপা হেনগৎপগী মওং উরক্কনি। চনীং থক্লিংবা ৱাৎলকই। চবোক থোঙদা অঙৌবা মচুগী মচুম তাবা উরক্কনি। অমদি য়াম্না তোইনা খোঙলক্কনি।

৩) হীট লোইরকপা মতম (পুং ১০) : হীট লাক্লিবা ষণবীদু অতোপ্পা ষণনা কারক্লবা লেঙদনা লেপ্তুনা লৈবা উগনি। চবোক থোঙদগী তারক্লিবা মচুমদু অনপ্পা অমদি অরুবা মচুম ওইনা উগনি। অমদি অতোপ্পা ষণদা মনম নম্বসু থেঙনগনি।

চবোকথোঙদা করিগুম্বা ঈ য়াওবা মচুম তাবা থেঙনরগদি নুমীৎ ২-৩গী মমাঙদা হীট লাকখ্রে হায়না ষণবুনা লৌবিগনি। অমদি নুমীৎ ১৬-১৭কী মতুংদা অমুক হীট লাকপ্রা হায়না চেকশিন্না শেন্নবীগনি।

**মচা লৌবগী মতম ঃ**

মচা লৌবগী মতম অমদি অফবা মখলগী মরু(সিমেন)না তেক্ত-কায়দনা মচা ওইবা ঙমহল্লি। ঙন্না মচা লৌবা নৎত্রগা থেঙনা লৌবশিনা মচা ওইবা ঙমহন্দে। মচা লৌবা য়াবগী মতমসি ষ্টেন্দিং হীটতগী পুং ৯ লৈরগা মচা লৌবা য়াই। মসিনা পুং ২৪ ফাওবা য়াগনি। মসি নৎত্রগসু ষণবী অমনা হীট লাকপগী লাইওংসি অয়ূক অঙনবদা উৎলক্লগাদি নুমিদাংৱাইরমদা মচা লৌবিগনি। অসুম্না নুমিদাংৱাইরমদা হীট লাকপগী লাইওং উৎলক্লগাদি মথং নুমীৎকী অয়ূক্তা মচা লৌবীবা য়ারে। অফবা ফল লাক্লবগীদমক্তা মচা লৌবা মতমদা অনীরক লৌবীহৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। করিগুম্বা মতমদা মচা কাপ্পদা অশোইবা কয়া য়াওদুনা মচা ওইবা ঙমদবা য়াওদবা নত্তে। মরম অসিনা মচা কাপ্পীরিবা খুদিংমক্না মফম চানা মতম চানা অমদি নিয়ম চুম্না মচা কাপ্পীগনি।

**মতম চানা গর্ভ পুবা খঙদোকপাঃ**

ষণবীদা গর্ভ পুবগী লাইওংসি নুমীৎ ৪০-৪২ ফাওবগী মনুংদা খঙদোকপীবনা ফৈ। থেঙলবদা থা অমফাওবগী মনুংদা খঙদোকপীগনি। গর্ভ পুই/পুদে খঙদোক্লবা খঙ হৈরবা অমনা অমাঙথোঙলোমদগী খুৎ হুম্বীরগা থেঙনবীগনি। করিগুম্বা গর্ভ পুরমদবা ওইরগদি অখঙ-অহৈগা তানবীগনি।

**গর্ভ পুরিঙৈ, মচা পোকপা মতম অমদি লোইরগা ষণবুনা চেকশিনবীগদবশিংঃ**

১) ষণবীনা গভ পুরবা মতুং পোক্লমদাই থা অহুম ৱাৎলিঙৈ মতমসিদা নীংথিনা পীজ-পীথক তৌবীগনি। হায়রিবা মতমসিদা ষণবীগী মবুক মনুংদা লৈরিবা মচাসি য়াম্না থুনা চাউখৎলকই। মতমসিদা শঙ্গোম য়াম্না থোকপী ষণবীদনা মফোনগী শরুকসি নোংমদা কে জি ১.৫দগী ২গী চাংদা পীজবিগনি। অদুগা শঙ্গোম হন্থনা থোকপী ষণবীদনা মফোনগী শরুকসি নোংমদা কে জি ১দগী ১.৫গী চাংবা পীজগনি।

২) শঙ্গোনদা অতোপ্পা ষণ খরগা পুন্না থম্মিন্নরবদি গর্ভ পুরবী ষণবীদু মচা পোক্কদবা নুমীৎ ১৫নি ৱাৎলিঙৈদগী অতোপ্পা মফম অমদা তোঙান্না থম্বীগদবনি।

৩) মচা পোকপা মতমদা করিগুম্বা অশোই অঙাম য়াওরবদি মনাক নকপা ভেটনরি ডোক্টর অমা কৌবিগনি।

৪) নাওফম থুনা তারক্লবা মচা পোকপা হেক লোইবগা ষণবীদু লুম্বু লুম্বু শাবা ধনা পীজবিগনি অমদি ষণনাওদু মখোম পীথক্লবা হোৎনবীগনি। নাওফমসি মচা পোকখ্রবা মতুং পুং ৮-১০ ফাওবগী মনুংদা তাগল্লি। হায়রিবা মতমসিদা করিগুম্বা নাওফম তারক্ত্রগদি মনাক নকপা ভেটনরি ডোক্টরগা তান্নবীগনি।

৫) করিগুম্বা চবোকপদা বেরা লাক্লগদি ভেটনরি ডাক্টর অমা কৌদুনা থুনা লায়েংবীহৌগনি।

৬) নাওফম তারক্তবগী লাইওংসি থুনা লায়েংবিহৌদ্রবদি ষণবীদুনা মথঙগী মচা পোক্লবা মতুংদা হীট লাকপা মতমদা মতম থেঙথহল্লি। মসিনা মচা লৌবগী মতমসু থেঙথহল্লি অমদি করিগুম্বা মতমদা লাইবক থীদুনা মচা ওইনবগীদমক হন্না-হন্না মচা লৌবসু য়াওই। হায়রিবশিংসিদগী ঙাকথোক্লবা ষণবুনা ভিটামিন-এ, দি, ঈ অমদি মিনরেল গর্ভ পুরিঙৈ মতমদা পীজবীহৌগনি। মসিনা নাওফম তাদবগী লাইওংসি হন্থরক্কনি।

৭) মচা পোকখ্রবা মতুংদা করিগুম্বা ষণবীসি ঙন্না হীট লাকপসু য়াওই। অদুবু মচা পোকখ্রবা মতুং নুমীৎ ৪৫নিদি মচা লৌবীদবনা হেন্না ফৈ। মরমদি ষণবীগী মচাখাওদু মতমসিদা নোর্মেল লাকহনবীগনি।

৮) গর্ভ পুরবা মতুং পোক্লমদাইগী নুমীৎ ৬০-৮০ ফাওবদি শঙ্গোম শুম্বীরোইদবনি। মসিগী মতমসিদা ষণবীগী অরুম্বসি হান্নদগী কেজি ২০মুক হেনগৎলকই। অমদি মসিগী মতমসিদা শঙ্গোম পুথোক্লবগীদমক ম্যামরী টিস্যুশিংসি অমুক হন্না নৌনা শেমগৎলক্তুনা মথঙগী চাবোক্তা হেন্না শঙ্গোম থোকহল্লি।

চারোল নাওরোনবা থেঙথহনবা লায়না খুদম ওইনা হায়রবদা ব্রুসিলোসিজ, কেম্পাইলেবেক্টেরিওসিজ, ট্রাইকোমেনোসিজ ইনফেক্টসজ পেসটুলর ভলভো ভেজাইনিটিস বোভাইন, ডাইরিয়া অসিনচিংবশিং অসি লাক্তনবা চেকশিন থৌরাঙ কয়া লৌবগা লোয়ননা ষণ অমদি শঙ্গোন লু-নান্না থম্বীগনি।

পীজ-পীথক নীংথিনা তৌবিবা, লু-নান্না শেন্নবীবা অমদি মতম চানা অফবা মখলগী মরূ শীজিন্নদুনা মচা লৌহৌরগদি হেন্না চারোন নাওরোনবা অমদি শঙ্গোম হেন্না থোক্তুনা শেন্দোং লৈনা ষণবী লোইবা ঙমগনি।।

### খঙহঞ্জবা

পাউ চে অসিদা হাপ্পনবা মতম-মতমগী ৱারেং/শৈরেং/ৱারীমচা/চিঠিনচিংবা থাবিরকপশিংনা থাবিরক্লিবা অইবা অদু খূৎই নৎত্রগা নমথোক্লবা কোপি ওইনা পীবিরকউ। লোয়ননা ইবিরকপা মতমদা লামায় নাম্মতমক ইবিরকউ।

জেরোক্স কোপি ওইনা পীবিরকপশিংগীদি হাপ্পনবা খন্নজরোই। অদুগা ইবিরিবশিংগী মিং, লৈফম অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা হাপ্পীরকউ।

— হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স